**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 04-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা রাষ্ট্রপতি সাসন থন্বগী মতাংদা হৌখিবা অহিংদা রাজ্য সভানা অয়াবা পীখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিবা ওপরেসনদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎপা ঙমলে।

অমসুং

৩) য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা লৈবাক অসিগী নহাশিংদা লুচিংবা ওইনবা অমসুং লৈবাক অসি চাওখৎহনবদা শরুক য়ানবা হায়রি।

**------**

সাহ ঃ মণিপুরদা রাষ্ট্রপতি সাসন থন্বগী মতাংদা হৌখিবা অহিংদা রাজ্য সভানা মোৎ অমত্তা ওইনা অয়াবা পীখ্রে। বিরোধি দলগী লুচিংবশিংনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভম অসিগী মতাংদা খন্নরবা মতুংদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা সভানা অয়াবা পীনবা পুখৎখি। সভাদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সাহনা হায়- লৈবাক অসিদা কংগ্রেসনা রাষ্ট্রপতি সাসন থল্লকখিবা অসি বিরোধি দলশিংবু নমথনবা থমদুনা লাকখিবনি।

মণিপুরদা পাল্লিবা বি.জে.পি সরকারগী মথক্তা নো কনফিদেন্স মোসন অমা থাগৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা রাষ্ট্রপতি সাসন থমখিবনি হায়বা

বিরোধিগী ৱাফম অদু অরানবনি। মণিপুর বিধান সভাদা কংগ্রেস য়াওনা অতৈ দলশিংনা মোসন অদু পুখৎনবগী মতিক চাবা মেম্বর মশিং সভাদা লৈতে। মহাকা হায়- মণিপুরদা রাষ্ট্রপতি সাসন থন্নিবা অসি আইন অমদি শান্তি রক্সাগী ফিভম পাল্লিবা সরকারনা লাকশিনবা ঙমদবগীনি হায়বা ৱাফম অদুসু য়ুন্ফম য়াওদবনি। ফেব্রুৱারি ১৩ দগী রাষ্ট্রপতি সাসন থল্লকপা অসিগী মাংওইননা রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকপা হৌখ্রে।

গৃহ মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- মণিপুরদা উংখৎনরিবা কাংলুপ অনিগী মরক্তা তাঙ্কক অনিরক থোকা ৱারী শান্নবা লৈখ্রে। অথুবা মতমদা নিউ দিল্লিদা ৱারী শান্ননবা শেম শারিবা অসিদা কাংলুপ অনিগী লুচিংবশিংনা য়াশিন্নবা পুরকবসু শ্রী সাহ্না আপীল তৌখি।

কেম্প (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার লৌরেম্বম বিক্রমগী মীৎয়েং মখাদা শিজ আই কেয়ার ফাউন্দেসন, নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ত্রোল ব্লাইদনেস, নেসনেল হেলথ মিসন, শিনহৈবী দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমসুং ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা নোংমগী ওইবা লেমা মীৎ লায়েংবা অমদি কেটরেক্ট সরজরি কেম্প ঙরাং কৈবুল লমজাউ মখা লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওই ৩০০ লোম লায়েংখি অমসুং লেমা হিদাক লাংথকশিং পীখি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ প্লাষ্টিক ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট রুলস ২০১৬ কী মতাংদা কন্সলটেটিভ ৱার্কসোপ অমা ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসি রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা মহুদ অমসুং মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দকা পুন্না শিনবনি।

ওপরেসন (এল)ঃ ভারত লান্মী অমসুং অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা মমাং থাগী ২৯ দগী ঙরাং ফাওবদা চথখিবা ওপরেসনদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী মণিপুর, নাগালেন্দ অমসুং সাউদর্ন অরুনাচল প্রদেশকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না হায়রিবা ওপরেসনশিং অসি মণিপুর পুলিস, সি.আর.পি.এফ, বি.এস.এফ অমসুং আই.টি.বি.পিগা পুন্না পাঙথোকমিন্নবনি।

কাংপোকপী জিলাগী এস. মোংপীদা অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর পুলিসনা ঙরাং পুন্না চথখিবা ওপরেসনদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী এস.এল.আর অমা, সি.বি.বি.এল অমা, পিষ্টোল অনি, নোংমৈ মরু অমসুং অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তুইচিনদা লান্মীনা ওপরেসন চথবদা তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, ইমপ্রোভাইস মোর্তার ৭ ফাগৎখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক মণিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী থাংজিং চীংদা ভারত লান্মী অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা মমাং থাগী ৩০ দা ওপরেসন চথবদা বোল্ট এক্সন রাইফল অনি, পিষ্টোল অমা, পোম্পী অহুম, নোংমৈ মরু অমসুং লানদা শিজিন্নবা পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎখি।

অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেকুরিতি ফোসর্ন চুরাচান্দপুর জিলাগী কাপরং এরিয়াদা মমাং থাগী ৩১ দা ওপরেসন চথবদা কিলোগ্রাম অনি হেন্না লুম্বা আই.ই.দি অনি অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি। থা অসিগী ১ দনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শজিরোক্তগী অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর পুলিসনা ওপরেসন চথবদা এস.এল.আর অমা, সিঙ্গল বোর বেরেল রাইফল অমা অমসুং পিষ্টোল অহুম ফাগৎখি।

এআর ঃ অসাম রাইফলস অমসুং ফোরেষ্ট বিভাগকী অপুনবা কাংবুনা চথবা ওপরেসন অমদা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মিজোরমগী চমফাইদগী আইন কায়না লম্লক্কী শা পুথোক পুশিন তৌরম্বা মীওই অহুম ফারে। মখোয়না পুরম্বা শাশিং অদুগী মনুংদা আফ্রিকান স্পর তোরতোইজ ২৪, পেন্টগোনিয়ান মারস ৩ অমসুং অলবিনো পাইথোন ১ য়াওরি।

মন্সুখ ঃ  য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা লৈবাক অসিগী নহাশিংদা লুচিংবা ওইনবা অমসুং লৈবাক অসি চাওখৎহনবদা শরুক য়ানবা হায়রি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা বিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৫ লোইশিনবগী থৌরমদা ঙরাং শ্রী মন্দাভিয়ানা হায়- নহাশিং অসি লৈবাক অসিগী তুংগী আশানি অমসুং মখোয়না লৈবাক অসি চাওখৎহনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টসকী রাজ্য মন্ত্রি রক্সা খরসেনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী বিক্সিত ভারত ওইহন্নবা মঙলান অসি য়েংলগা চহি অসিগী য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট পাঙথোকপা অসি য়ামা আর্থ লৈ। মহাকা হায়- নহাশিংনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংদা মতেং পাংবতা নত্তনা মাংজিল থানা লমজিংলি।

থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা নেসনেল য়ুথ এৱার্দ ২০২১-২২ অমসুং ২০২২-২৩ গা লোয়ননা বিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট এৱার্দ ২০২৫ শু য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা রাজ্য থাক্তগী খনগৎলবা নহা ১০৫ না মখোয় মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোন কয়া ফোংদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নহারোলগী থৌদাংদা মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল থম্বগী মতাংদা নোংঙাল্লমদাই ফাওবা খন্নরগা পার্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পীখ্রে। ইরাং লাকশিনবা ঙমলে, রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিং মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনবা ঙমদবনা অপেনবা ওইদ্রি হায়বা অমিত সাহগী ৱাফমনা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি মণিপুর মেল, পোকফম, তমেংলোং টাইমস, হুইয়েন লানপাউদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শশি থারুরনা মণিপুরদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীওইশিং অমসুং ড্রগ ত্রাফিক্কিংগী মতাংদা লোক সভাদা পুখৎখ্রে অমসুং কেন্দ্রগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসনা কুকি অমদি মীতৈগী ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং কৌখ্রে হায়বা ৱাফমনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লোক সভানা পি.আর. মিনিত ৪০ দা অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

জেনিমসকী এনাটোমিকেল, কেমিকেল ৱেষ্টশিং সেন্ত্রেল দেরি প্লান্ট কমপ্লেক্সতা হুন্দোক্লে হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মুকেশকী মরী মখোঙ খঙদ্রি, জোজাংতেক ব্রামুদা ত্রাইএঙ্গলগা পাংখক ওইরে হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাফমনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা নিট এম.দি.এস ২০২৫ ইম্ফাল সেন্তর লৈত্রে, ২০২৬ তগী হঞ্জিনহনগদৌরি হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মীওই ১৩ না শাবা কমিতি অমনা দিলিমিতেসনগী ৱাফমশিং য়েংশিল্লগনি হায়বা মণিপুর বি.জে.পিগা ৱাফমনা তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

৪৯ তদুবী কেন্দ্রগী বি.এল.ওশিংগী ওইবা ত্রেনিং ঙরাং সেনাপতিদা লোইশিনখ্রে অমসুং সেনাপতিগী সবদিভিজনেল মেজিষ্ট্রেটনা থা অসিগী ৭ ফাওবদা নেসনেল হাইৱে অনিদা অপনবা পীরিবশিং হন্দোকবা খঙহনখ্রে হায়বা ৱাফমা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------